## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইন-২০১৬

# দিল্লি দেয়রদেবিলসনা গুজরাট লাইওন্সপু ব্রিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে





দিল্লিগী বোল ৪০ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৯ য়ৈদুনা রন ৬৯ লৌখিবা আর পেন্টবু দি কোক্না থাগৎপা ফোঙদোকপা

রাজকোট, মে ০৩ ঃ

ঙসি ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট সেরিজগী ৩১ শুবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা গুজরাট লাইওন্সপু দিল্লি দেয়রদেবিলসনা ব্রিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস দিল্লি দেয়রদেবিলসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। গুজরাট লাইওন্সনা হান্না বেটিং তৌখিবদা অপুনবা ওভর ২০ দা ব্রিকেট ৭ তুরগা রন ১৪৯ লৌখি।

গুজরাট লাইওন্সকী ইন্নিংস অদু দ্বেন স্মিথ অমসুং ব্রেন্দন মেকুলমনা হৌদোকখি। অদুবু মখোয় অনীমক ফজবা স্কোর পীবা ঙমখিদে। ব্রেন্দন মেকলম রন অমখক লৌরগা জাহির খানগী বোলদা আওট ওইখি। দ্বেন স্মিথসু বোল ১৪ দা শুপ্নগী রন ১৫ লৌরম্লগা নদিমগী বোলদা মোরিসনা ওকখিবদগী আওট ওইখি। স্মিথকী মতুংদা থোরকপা বেটসমেন আরোন ফিন্সসু ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মহাকসু নদিমগী বোলদা শুপ্নগী রন ৫খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা আওট ওইখি।

মদুগী মতুং তারকপদা সুরেস রাইনা অমদি দিনেস কার্তিক্না গুজরাট লাইওন্সকী ইন্নিংস অদু তপ্না তপ্না শাগৎলক্কুনা মখোয় অনীগী য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা বোল ৪২ দা রন ৫১ লৌবা ঙমখি। রাইনা বোল ২০ দা রন ২৪ লৌরম্লগা মিস্রাগী বোলদা আওট ওইখি।

রাইনা আওট ওইখ্রবা মতুং কার্থিক অমদি জাদেজানা বোল ৩৯ দা রন ৫২ গী পার্টনর্সিপ অমা শেম্লম্বদু নত্তনা মখা তাবা বেটসমেশিংনা রন ফজনা লৌবা ঙমখিদে।

ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ব্রিকেট ৭ তুরগা রন ১৪৯ লৌদুনা গুজরাটকী ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

গুজরাট লাইওন্সনা থম্লম্বা রন ১৫০ গী টার্গেট অদু দিল্লি দেয়রদেবিলসনা ১৮ শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা শুপ্নগী ব্রিকেট ২ খক তুরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না থোইখি।

দিল্লিগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর দি কোক অমদি আর পেন্টনা মথং শিংনা রন ৪৬ অমদি ৬৯ লৌদুনা মেটচ অদু মায় পাক্কবগী লম্বী য়াৎলমখি। দি কোক বোল ৪৫ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৬ লৌরমখি। আর পেন্টনা বোল ৪০ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৯ য়ৈদুনা রন ৬৯ লৌরমখি। দি কোক সিভিল কোসিকনা আওট তাহনখি অদুগা আর পেন্টনা রবিন্দ্র জাদেজ না আওট তাহনখি।

মখোয় অনী আওট ওইখ্রবা মতুংদা থোরকপা বেটসমেন এস সামসননা বোল ১৩ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈদুনা রন ১৯ অমদি জে পি দুমিনিনা বোল ৭ তা ফোর ২ গা লোয়ননা রন ১৩ লৌরবা মতুং গুজরাট লাইওন্সনা থম্লবা টর্গেট অদু য়ৌদুনা দিল্লি দেয়রদেবিলসনা গুজরাট লাইওন্সপু ব্রিকেট ৮ দা থোইবা ঙমখি।

### Points Table

| Team | M | W | L | Tied | N/R | Points | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Gujarat Lions | 9 | 6 | 3 | 0 | 0 | 12 | -0.23 |
| Delhi Daredevils | 7 | 5 | 2 | 0 | 0 | 10 | +0.54 |
| Kolkata Knight Riders | 8 | 5 | 3 | 0 | 0 | 10 | +0.36 |
| Mumbai Indians | 9 | 5 | 4 | 0 | 0 | 10 | -0.01 |
| Sunrisers Hyderabad | 7 | 4 | 3 | 0 | 0 | 8 | +0.06 |
| Rising Pune Supergiants | 8 | 2 | 6 | 0 | 0 | 4 | +0.13 |
| Royal Challengers Bangalore | 7 | 2 | 5 | 0 | 0 | 4 | -0.03 |
| Kings XI Punjab | 7 | 2 | 5 | 0 | 0 | 4 | -0.81 |

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৫-১৬

# লৈকেষ্টর সিটিনা চহী১৩২ গী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী টাইটল লৌখ্রে





ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ২০১৫–১৬ কী টাইটল লৌবা ঙম্লবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা উৎপা

লন্দন, মে ০৩ ঃ

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা মমাঙগী সিজনগী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা চেলসিগা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখিবদগী লৈকেষ্টর সিটিনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী চহী ১৩২ শুরবা ইতিহাসতা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

লৈকেষ্টর সিটিবু য়াম্না কন্না লম্বা তৌরকখিবা টিম অদু টোটেনহাম হোটস্পরনি। ইংলিস প্রেমিয়র লীগ সিজন অসিগী হৌরকপদা লৈকেষ্টর সিটিনা টাইটল লৌবা ঙম্বগী আশা অদু ৫০০০ দা অমখক ওইখিবনি।

চথরিবা লীগ অসিগী মরমদা নৈনরিবা অখঙ–অহৈশিংনা ক্লব অসিনা টাইটল লৌরকনি হায়বসি য়াম্না থাপ্না থমখিবনি। অদুবু লীগ অসিগী তঞ্জায় চশিল্লকপদগী ক্লব অসিনা ফজবা পার্ফোমেন্স মরী–মরী শমজিল্লকপদগী মখোয়বু তান্নবা টিম মশিং য়ামশিল্লকখিদবনি।

লৈকেষ্টর সিটিগী ফুটবোল ইতিহাসতা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স লৈখিবা অদু ১৯২১ দা অনীশুবা পোজিসন তাখিবা অদুনি। মদুগী মতুং ২০০০ গী লীগ কপ্তা সিলভর মেডল ফংখিবা অদুনি।

লৈকেষ্টর সিটিগী কেপ্টেন ব্রেস মোর্গান্না ফোঙদোকখিবদা সিজন অসিদা টিম অসিগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা লৈখিবা শান্নবগী থৌনা অদু মহাক্না হৌখিবা চহী কয়াদা অমুক্তফাও উবা ফঙখিদ্রি হায়খি। টিম অসিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা শান্নখিবা মখোয়গী অকোনবা লীগ মেটচতা পাঞ্জল শোত্থরম্বদগী ইক্কেলাইজর চনখিবা কেপ্টেননি।

মমাঙদা ইংলন্দগী কেপ্টেন ফাওবা ওইরম্লবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইসু ওইরম্বা গেরি লিনেকরনা মমাঙদা লন্দনগী টেলিভিজন চেনেল বি বি সি দা ফোঙদোকখিবদা লৈকেষ্টর সিটিদা মতম অদুদা লৈখিবা ফিভম অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লীগ অদুগী টাইটল লৌবা আশা লৈতে হায়নফাওবা ফোঙদোকখিবনি।

লৈকেষ্টর সিটিগী কেপ্টেন ব্রেস মোর্গান্না ফোঙদোকখিবা ব্রারোল অমদা মহাক্কী টিমগী শান্নরোইশিংনা মখোয় মশেল থম্নখিবা টিম অমা ওইবগী লিংজেল অদু করিগুম্বা মখা তানা অদুম্মক থম্বা ঙম্লবদি মথংগী সিজন্দসু মকোক ওইবা ঙম্বগী অচৌবা আশা অমা লৈ হায়খি।

# ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই ৭ রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্কালিফাই ওইবা য়ানা লৈরি



রিও ওলেম্পিক মেডলগী আশা লৈরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল

ন্যু দিল্লি, মে ০৩ ঃ

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগীদমক ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৭ ক্কালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরে। অদুবু ফেদরেসন অসিগী রেঙ্কিংগী মতুংইন্না চৎলিবা থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী লৈরিবা শান্নরোইশিংগী খ্বাইদগী নৌবা ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অদুগী মতুংইন্না করম্বা শান্নরোইনা ক্কালিফাই ওইগদগে হায়বদু মশক খঙলগনি।

লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী সাইনা নেহৱাল ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা অমদি পি ভি সিন্ধুনা ৯ শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা মখোয় অনীমক রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক শান্নবা ঙমগদৌরি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ১০ শুবদা লৈরিবা ২০১৪ গী চাইনা ওপন বেদমিন্টনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কিদম্বি শ্রিকান্তনা রিও ওলেম্পিক গেমসতা নুপাগী নম্বর শান্নরোই ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

নুপাগী দবলস কাঙলুপ্তা ইনিদয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিট রেদ্দিনা ইন্দিয়াগী ইতিহাসতা অহানবা নুপাগী দবলসকী ক্কালিফাই ওইবা ঙম্বা জুরা অদু ওইগদৌরি।

নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা জ্বালা গুত্তা অমসুং আশ্বিনি পোনাপানা হৌখিবা ২০১৪ গী ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়ারুরবা মতুং রিও ওলেম্পিক গেমসতসু শরুক য়াবা ঙমগদৌরি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইনিদয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই অমত্তা ক্কালিফাই ওইবা ঙম্লোইদৌরি।

ব্রাজিলগী রিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙম্বগী ফিভমদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই ৭ অসিবু তোঙান–তোঙানবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী থাগৎপা অমদি গেমস অসিদা অফবা পার্ফোমেন্স পুরক্কবগী অপাম্বা ফোঙদোক্করক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা চহী অসিদা মশামক্না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট খুদিংমক্তা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা রিও ওলেম্পিক গেমস অসিদা মেডল ফংবা য়াবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। সিন্ধুসু চহী অসিগী অহৌবদা টাইটল অমা ফংদুনা মেডল ফংবা য়াবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

## মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা অমদি পেট্রা কিটোভা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে



মাদ্রিদ, মে ০৩ ঃ

স্পেনগী সহর মাদ্রিদতা চথরিবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা অমদি পেট্রা কিটোভা মখোয় মখোয়গী মেটচ থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে। অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং কনাদাগী এম মিলোস রাউনিক মখোয় মখোয়গী মেটচ থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড নম্বর ৫ ওইরিবা ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কানা ফ্রান্সকী শান্নরোই এলিজে কোর্নেটপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–২ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি। অজারেঙ্কানা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৪ শুবা সিদেদ অনা ইভানোভিক অমদি অমেরিকান ক্কালিফায়র লুইসা চিরিকোগা শান্নবগী অথোইবগা থেংনরগনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা হান্নগী মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী পেট্রা কিটোভানা রুসিয়াগী ইলেনা ভেসনিনাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহুশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

পেট্রা কিটোভানা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাগা থেংনরগনি।

নুপাগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এক্সরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই রাফেল নদালনা কুজনেটসোভপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–৩ দা য়াম্না লায়না থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

নুপাগী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কনাদাগী মিলোস রাউনিক্না এ দোলগোপোলোভপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

অহানবা সেট অদুদা মিলোস রাউনিক্না এ দোলগোপোলোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদদি শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখি। অনীশুবা সেট অদু গেম ৬–৬ মান্নরবা মতুং টাই ব্রেক্তা এ দোলগোপোলোভনা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা চৎখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুংদা এক্সরিয়েন্স লৈরবা এম রাউনিক্না অরোইবা সেট অদুদা য়াম্না লায়বা মওংদা গেম ৬–২ দা থোইদুনা মেটচ অদু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।













Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*